যুরোপা লীগ ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০

# ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখিবা স্পেনগী ক্লব সিভিলা ফাইনেল চঙখ্রে



কোলোন, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী): যুরোপ কোর্ন্টিনেন্টকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা ক্লবকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবদা লৈরিবা যুরোপা লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবা শান্নখিবা সেমিফাইনেল মেচতা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু স্পেনগী ক্লব সিভিলানা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

জর্মনিগী সিটি কোলোনদা লৈবা রাইন ইনর্জি ষ্টেদিয়মদা ভাবোক অমত্তা য়াওদনা শান্নখিবা সেমিফাইনেল মেচ অদু হৌরকপদা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ফজবা হেনখি। মেচকী শান্নবা হৌরকপা মিনট ১০ ফাদ্রিঙৈদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমা সিভিলাগী পেনাল্টি এরিয়া য়ৌশিল্লকখি। বোল অদুবু থিংনবা হোৎনখিবা সিভিলাগী দিফেন্দরশিংগী মরক্তগী বোল অদু কাঙলোনগী ৱাংমদা মুন্নবা হোৎনবগীদমক রেফ্রিনা পেনাল্টি অমা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা পীখি।

খূদোংচাবা অদু মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী বি ফর্নান্দেজনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা স্পেনগী ক্লব সিভিলাবু মখোয়না পাঞ্জল ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

সিভিলাগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনবদা মতমকা হেন্না লৌবা তৌদনা শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা খূদোংচাবা অদু ফংখি। এস রেগুইলোননা ফংখিবা বোল অমা য়াম্না মপা চানা ইন্থোরকপদা টিম অদুগী শান্নরোয় সুসোনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী গোলকিপর অদুবু মায়থীবা পীরগা ইক্বেলাইজর অদু ওইহনখি।

পাঞ্জল অমমম্ মান্নদুনা লৈরক্লবা যুরোপা লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা সেমিফাইনেল মেচ অদু য়াম্না লেং মান্ননা ইংলেন্দ অমসুং স্পেনগী ক্লব অনীনা মেচকী অহানবা হাফকী লেমহৌরিবা পুংখায় ফাদ্রবা মতম অদুদা হেঞ্জিন্নবা ঙম্মদনা শান্নরকপদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমদদুনা ১-১দা লৈখি।

মেচ অদু মায় পাক্লগা যুরোপা লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লগনি খঙবনা টিম অনীমক অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী অকনবা মওংদা শান্নরকখি। হাফ অদুগী পুংখায় ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা অহানবা হাফতা চন্নখিবা পাঞ্জল অমমম্গী মথক্তা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈখি।

স্পেনগী ক্লব সিভিলাগী মায়কৈদগী চত্থরকখিবা এটেক অমদা জে নবাসনা ফংখিবা বোল অমা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী পেনাল্টি এরিয়াদা নীংথিনা খায়দোরক্তুনা টিমমেট নেদরলেন্দস মচা লুক দি জোংনা পাঞ্জল চন্দুনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু ২-১দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

# য়ু এস এগী জেনিফর ব্রেদিনা স্বিজরলেন্দগী জিল টেকমানবু মায়থীবা পীদুনা তোপ সীদ ওপন টাইটল লৌখ্রে





লেসিংটন, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী): য়ু এস এগী সিটি লেসিংটনদা পাঙথোকপা দব্লিয়ু টি এ টেনিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা তোপ সীদ ওপন/লেসিংটন ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলসতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু লৈবাক্কী শান্নরোয় জেনিফর ব্রেদিনা স্বিজরলেন্দগী জিল টেকমানবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, জেনিফর ব্রেদিনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমিফাইনেলদা অতোপ্পা য়ু এস এগী শান্নরোয় কোকো গোফপু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-২, ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্বনি। অমরোমদা ঙরাং অথেংবা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় স্বিজরলেন্দগী জিল টেকমাননা মহাক্কী সেমিফাইনেলদা য়ু এস এগী অতোপ্পা শান্নরোয় সেলভি রোজরসপু ৬-৩, ৬-২দা মায়থীবা পীরম্বনি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট হৌরকপদগী হৌনা জেনিফর ব্রেদি অমসুং জিল টেকমানগী লম্বা অদু মান্ননা লৈখি। য়ু এস এগী শান্নরোয় জেনিফর ব্রেদিনা মহাক্কী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না খরা অহানবা সেট অদুগী ময়াই চনশিল্লকপদা ঙ থোরকপা ঙমখিবদগী স্বিজরলেন্দগী জিল টেকমানগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা খূদোংচাবা হেনখি। মহাক মশামক্কী সর্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬-৩দা থোইরগা ফাইনেল মেচ অদুদা সেট ১-০দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা সেট শান্নবা হৌরকপা অদুদা জিল টেকমানগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা সেট অদু ফুগৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। গেম ৮ শান্নবা লোইশিল্লকপা ফাওবদা শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী গেম ৪-৪ মায় পাক্নদুনা লম্বা মান্নখি।

অদুবু য়ু এস এগী শান্নরোয় জেনিফর ব্রেদিগী মায়কৈদগী ফজবা হেঞ্জিল্লক্তুনা জিল টেকমানগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবা অমদি মশামক্কী সর্ভিস গেম অদু হোল্ড তৌদুনা ৬-৪দা অনীশুবা সেট অদু থোইদুনা লেসিংটন ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গল টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাঙলূপ্তা মরিশুবা সিদেদ প্যের ওইনা শরুক য়ারকখিবা ব্রাজিলগী এল ষ্টেফানি অমসুং য়ু এস এগী ঐচ কার্টরনা জেক রিপব্লিককী এম বোস্কোভা অমদি নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা মায়থীহৌবী স্বিজরলেন্দগী জিল টেকমানবু থোইরগা দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

দবলসকী ফাইনেল মেচ অদুদা য়ু এস এগী কার্টর অমদি ব্রাজিলগী ষ্টেফানিনা জেক রিপব্লিককী বোস্কোভা অমদি স্বিজরলেন্দগী টেকমানগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা অহানবা সেট অদু য়াম্না লাকচনা ৬-১দা থোইখি।

অনীশুবা সেট লম্বা তৌনরকপদা নাকল অনীমক্কী মশান্না অদু হেঞ্জিন্নবা ঙমদবদগী গেম ১০ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ৫-৫দা লৈখি। অদুবু য়ু এস এ অমসুং ব্রাজিল প্যের অদুগী মায়কৈদগী জেক রিপব্লিক অমদি স্বিজরলেন্দগী প্যের অদুগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবা অদুনা ৭-৫দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

# পি এস জিগী কিলিয়ান মাপে মেচ হৌবদগী শরুক য়াবা য়ানা লৈরি



লিজবোন, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী): চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা সেমিফাইনেল মেচতা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনগী ষ্ট্রাইকর কিলিয়ান মাপে জর্মনিগী ক্লব রসিয়নবোল স্পোর্ট লৈপজিগকা থা অসিগী ১৮দা শান্নগদৌরিবা অদুগী অহানবা হাফতগী হৌরগা মপূং ফানা শান্নবা য়ানা লৈরি।

নীংশিংবা য়াবদি, কিলিয়ান মাপেনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইটলিগী ক্লব অটলান্টাগা লম্বা তৌনখিবা মেচ অদুগী অনীশুবা হাফ হৌজিল্লবা মতুং পুংখায় অমা ৱাৎলিঙৈদা শান্নবা চঙলক্তুনা মেচ অদু মায় পাকপগী বোল সপ্লাই তৌবা ঙমখিবনি। মহাক খোঙনিং শোকপনা মরম ওইরগা মেচ অদু হৌবদগী য়াওবা ঙমখিদে।

টিম অসিগী কোচ থোমাস টুচেলনা ঙসি ফোঙদোরকখিবদা, মাপেনা অটলান্টাগা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী পুংখায় অমরোমগী মতম অদুদা মহাক্কী অশোকপা অদুনা নুংঙাইতবা পীবগী মমি উখিদে। মরম অদুনা থা অসিগী ১৮দা জর্মনিগী ক্লব রসিয়নবোল স্পোর্ট লৈপজিগকা শান্নগদৌরিবা সেমিফাইনেল অদুগী হৌবদগী হৌনা শরুক য়াবগী খূদোংচাবা লৈ হায়না ফোঙদোরকখি। মহাক্না লোয়ননা টিম অদুগী প্লেমেকর ওইরিবা ব্রাজিল মচা নেমারগী কেমিষ্ট্রি মান্নবনা গোল চনবগী খূদোংচাবা কয়া অমা ফংবা ঙমগদৌরি।

# গোৱাগী স্পোর্টস মিনিষ্টরনা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ২০২০-২১ গী য়ূম্বু ওইদুনা ষ্টেট অদুগী টুরিজম চাউখৎহনগদৌরি



পানাজি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌনা মীয়াম্না পাম্নরক্লিবা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট কুমজা ২০২০-২১ সিজনগী য়ূম্বু ওইদুনা গোৱা ষ্টেটতা টুরিজমগী মায়কৈদা চাউখৎহনবা য়াবগী খূদোংচাবা লৈরে হায়না ষ্টেট অদুগী স্পোর্টস মিনিষ্টর মনোহর অজগাউনকরনা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মালেম শীনবা থুংনা পীরিবা চৈথেংশিংগী মনুংদা শান্নবগী লম্দসু চপ মান্নবা চৈথেং ফংলি। লৈবাক খরদা স্পোর্টস দিসিপ্লিন খরগী ওইনা ইন্টরনেসনল কম্পিটিসন পাঙথোকপা হৌখ্রবনি। ইন্দিয়াদা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা কম্পিটিসন লৈত্রবসু নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা য়াবা দিসিপ্লিনশিং খন্ন-নৈনরক্লি।

ইন্দিয়াগী ওইনা ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অমদি শরুক য়াবগী খূদোংচাবা লৈরিবা শান্নরোয় কাঙলূপ খরগী ট্রেনিং চত্থবা হৌখ্রে। অদুবু টুর্নামেন্ট পাঙথোকপগী খূদোংচাবদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লাউথোকপা লৈত্রি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংলিবা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ূম্বু গোৱানা ওইগদৌরিবা অসিদা ষ্টেট অদুগী স্পোর্টস মিনিষ্টর মনোহরনা খূদোংচাবা ফংলকপা অসিনা ষ্টেট অদুগী টুরিজমগী মায়কৈদসু কান্নবা কয়া ফংলগনি হায়খি।

ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা স্পোর্টস মিনিষ্টর মনোহর অজগাউনকরনা ফোঙদোকখিবদা তরেৎলকশুবা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেচশিং অদু গোৱাদা লৈবা ষ্টেদিয়ম অহুমদা নবেম্বর থাদগী শান্নগনি। মদুদা সেন্টরনা পীরিবা এস ও পি মপূং ফানা চৎনহনগনিসু হায়রি।

# জপানগী টেনিস শান্নরোয় কৈ নিশিকোরি কোভিদ পোজিটিভ ওইরে



ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী): জপানগী মমিং লৈরবা টেনিস শান্নরোয় কৈ নিশিকোরি থা অসিগী ৩১দা হৌগদৌরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্টকী মাংওইননা ঙরাং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখ্রে।

মমাংদা ৱর্ল্ড নম্বর ফোর ফাওবা য়ৌরম্লবা মশাগী চহী ৩০ শুরবা জপান মচা কৈ নিশিকোরি য়ু এস এগী ফ্লোরিদা ষ্টেটতা লৈবা আই এম জি একাদেমিদা প্রাক্টিস তৌদুনা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট অদু য়াওননবা শেম শাদুনা লাকখিবনি।

নিশিকোরিনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা ফ্লোরিদাগী ব্রাদেন্টোনদা লৈবা আই এম জি একাদেমিদা প্রাক্টিস তৌনা-তৌনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকখিবনি। লোয়ননা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট অদুগী ৱার্ম অপ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অদুদগী ৱিদ্রো তৌখ্রে।

নিশিকোরিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯গী লাইওং পীক্না উথোরকখি। লোয়ননা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপদগী মহাক্কী কাদা সেল্ফ আইসোলেসন তৌরগনি হায়খি। টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী চেম্পিয়ন স্পেনগী রাফেল নদাল অমদি নুপীগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি শরুক য়ারোইদৌরিবনি।

# ক্বারন্টিনগী মতমনা শান্নরোয়শিংগী পূক্নিং ৱাখলগী পাঙ্গল অমদি খাঙবা কনবগী চাংয়েং পীরি : এস ভি সুনিল



বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী): থা অসিগী ১৯দগী বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা হৌগদৌরিবা নেসনল হোকি কেম্প অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয় এস ভি সুনিলনা ফোঙদোরকখিবদা, শান্নরোয়শিংনা কেম্প অদুগী মাংওইননা সেন্টর অদুদা অমদি হান্না তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লাকখিবা অদু শান্নরোয়শিংগী পূক্নিং অমদি ৱাখলগী পাঙ্গল অমসুং খাঙবা কনবগী চাংয়েং অমা পীবনি হায়খ্রে।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিমগী ষ্ট্রাইকর এস ভি সুনিলনা মখা তারকপদা শান্নরোয়শিংনা ক্বারন্টিন মতমদা ফংখিবা মতম অদু পূক্নিং ৱাখলগী পাঙ্গল লৈহন্নবনি। লোয়ননা মখা তানা থেংনগদবা লানফম কয়াদা পূক্নিং-ৱাখলগী পাঙ্গল হন্থহনবা য়াদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোকি শান্নরোয়শিংনা মখোয়-মখোয়গী লৈফমদগী হল্লক্তুনা কেম্প চত্থগদৌরিবা অসিগী মাংওইননা নুমীৎ ১৪নিগী ওইবা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবনি। থা অসিগী ১৯দগী হৌরগা সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী শান্নরোয়শিংনা কেম্প অসিদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী হোকিগী চীফ কোচ ওইরিবা গ্রাহাম রিদনা লৌরিবা থৌদাং অদুবুসু এস ভি সুনিলনা চাউনা থাগৎলক্লি। হোকি কেম্প অমা পাঙথোকপা মতমদা শান্নরোয় অমদি কোচখক্তনা নৎতনা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা সপোর্ট ষ্টাফশিংগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিংদা পীবা মতেং অদুসু কাউবা য়াদে। মখোয়গী মতেংনা কোচ অমদি শান্নরোয়শিংনা ট্রেনিং চত্থবা অমদি টুর্নামেন্ট শরুক য়াবদা অচৌবা পাঙ্গল ওইরিবনি। মালেমগী মকোক থোংননবা শান্নবদা হোৎনবা লেপ্পা য়াদে অমসুং হকচাং ফনা লৈবা তঙাইফদে হায়না সুনিলনা মখা তাখি।

# ৱর্ল্ড কপ অমসুং এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ক্বালিফাইয়র য়ৈথোরকখিবা অচুম্বা ৱারেপনি হায়না শান্নরোয়শিংনা ফোঙদোরক্লি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী): কুমজা ২০২২দা কাটারনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমদি কুমজা ২০২৩দা চাইনানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাইয়িং মেচশিং য়ৈথোরকপা অসি অচুম্বা ৱারেপনি হায়না ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী শান্নরোয়শিংনা ফোঙদোরক্লি।

টুর্নামেন্ট অনীমক্কী ওইনা পূন্না পাঙথোরকপা ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী টিম ৱর্ল্ড কপকী ওইনদি মখা তাবা খূদোংচাবা লোইশিনখ্রে। অদুবু এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনদি ইন্দিয়াগী টিমনা ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী লম্বেল লৈরি।

ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান গোলকিপর গুরপ্রিট সিংহ সান্ধুনা ফোঙদোরকখিবদা, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা পীরিবা চৈথেংশিংগী মনুংদা শান্নরোয় কয়া অমসু পোজিটিভ ওইদুনা অৱাবা মায়োক্লরি। ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট অমসুং এসিয়ন কপ ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টকী লেমহৌবা মেচশিং অদু শান্ননবা মমাংদা পীখিবা মতম অদু মখা তানা য়ৈথোরকপা অসিনা শান্নরোয়শিংগী হকশেলদা খূদোংচাবা অমা পীরে হায়না ফোঙদোকখি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগা ৱারী শান্নবা অমদা গুরপ্রিটনা মখা তারদুনা ইন্টরনেসনলগী ওইবা ফুটবোল লৈবাক খরদা শান্নবা হৌখ্রবসু শান্নরোয়শিংগী শাফবা য়েংদুনা ৱর্ল্ড কপ অমদি এসিয়ন কপ ক্বালিফাইয়িং মেচশিং অদু য়ৈথোরকপা অসি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়খি।

গুরপ্রিট সিংহগী ৱাফম অদুদা মান্নবা ৱাহৈ ফোঙদোক্লদুনা মিদফিল্ডর অনিরুদ থাপানা হায়খিবদা হাথু-হাথু শান্নশিনবনা মখা তারকপা খোঙথাংদা শান্নরোয়শিং নারক্লবদি খূদোংচাবা ফংবগী মহুৎতা অৱাবা তাগদৌরিবনি হায়খি।

# বেদমিন্টন শান্নরোয় সিন্ধু, প্রনিট অমসুং স্রিকান্ত গোপিচান্দ একাদেমিদা ট্রেনিং তৌবা হৌখ্রে

হায়দরবাদ, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী): নুপীগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন পি ভি সিন্ধু, নুপাগী শান্নরোয় সাই প্রনিট অমসুং কিদম্বী স্রিকান্ত হায়দরবাদতা লৈবা গোপিচান্দ একাদেমিদা ঙসিদগী ট্রেনিং তৌবা হৌখ্রে।

একাদেমি অসি হন্দক্তা দবলসকী শান্নরোয় এন সিকি রেদ্দি অমদি ফিজিওথেরাপিষ্ট সী ঐচ কিরন কোভিদ পোজিটিভ ওই হায়বদগী নুমীৎ মরিনি থোঙ লোল্লুরবনি। অদুবু মখোয় অনীগী মখা তাবা আর টি-পি সী আর টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরকপদগী ট্রেনিং অদু ঙসিদগী মখা তানা চত্থননবা অয়াবা লৈখি।

একাদেমি অদুদা কোরিয়া মচা পার্ক টে-সাংনা লমজিংদুনা পাঙথোকপদা পি ভি সিন্ধুনা অহানবা ওইনা লাকখি। সিন্ধুনা ট্রেনিং সেসন অদু অয়ূক পুং ৬.৩০দগীনা ৮.৩০ ফাওবগী সেসনদা কোরিয়াগী কোচ অদুগা ট্রেনিং চত্থখি। সিন্ধুগী সেসন অদু লোইরবা মতুং বেদমিন্টন ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় বি সাই প্রনিটনা মমাংদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা কিদম্বী স্রিকান্তকা মখা তানা ট্রেনিং চত্থনবা একাদেমি অদুদা লাকখি।

সাই প্রনিটনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা, কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা মরম ওইরগা ট্রেনিং ফংদবা অমদি শান্নবা ফংদবা অদুনা ফাজিন্দুনা লৈরুবা অদু গোপিচান্দ একাদেমিদা ট্রেনিং চত্থবা হৌরকপা অদুনা য়াম্না নুংঙাইবা অমা ফাওই। সেন্টর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর অদু ঙাক্না ট্রেনিং অসি চত্থবনা চিংননিংঙাই ওইবা অমত্তা লৈতে হায়খি।

একাদেমি অদুদা অতোপ্পা শান্নরোয় অমত্তা য়াওদনা অখন্নবা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা শেম শাবা ওইনা চত্থরিবা কেম্প অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী চীফ কোচ ওইরিবা পুলেলা গোপিচান্দনা একাদেমি অদুদা থল্লিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি থাক য়াম্না ৱাংই। কোভিদ-১৯ লৌনদনবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি লৈঙাক্না পীরিবা এস ও পি অদুখক্তা নৎতনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা শান্নরোয়শিং অমদি মখোয়না ট্রেনিং তৌগদবা মফমশিংদা অহেনবা চেকশিন থৌরাং কয়া অমসু পীরিবনি। মদুসু শান্নরোয়শিং, কোচ অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লি। শান্নরোয় অমত্তা লায়না অসি নারকপা য়াবগী রিস্ক অমত্তা লৌবা য়াদে।

# ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোবিচ য়ু এস ওপন টেনিস শরুক য়াগদৌরি

বেলগ্রেদ, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী): নুপাগী টেনিসকী সিঙ্গলস ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়া মচা নোভাক জোকোবিচ থা অসিগী ৩০দগী হৌগনি হায়না তৌরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ু এস ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া অমা শরুক য়াররোই হায়না ফোঙদোরকপদগী ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদা অৱাবা লৈখ্রবনি। মমিং লৈরবা স্পেনগী শান্নরোয় রাফেল নদাল অমদি স্বিজরলেন্দগী শান্নরোয় ষ্টান ৱারিকা টুর্নামেন্ট অসি শরুক য়াররোই হায়না ফোঙদোরকখ্রবনি।

অদুবু মশাগী চহী ৩৩ শুরবা গ্রান্দস্লাম টাইটল ১৭ লৌবা ঙমখ্রবা নোভাক জোকোবিচনা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট অসিদা নৎতনা মদুগী মাংওইননা পাঙথোক্কদবা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোরকপা অসিনা য়ু এস ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদা অফবা পাউ অমা ওইরিবনি।

পনবা য়াবদি, জুন থাদা জোকোবিচনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এড্রিয়া টুর টেনিস টুর্নামেন্ট অদুদা মহাক মশামক য়াওনা অতোপ্পা শান্নরোয় অহুম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবনি। অদুবু নৌনা টেষ্টিং তৌবদা জোকোবিচ কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরকপদগী মখা তানা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা য়ু এস ওপন শরুক য়াগনি হায়রি।

# কার্লসননা মরিশুবা সেট মায় পাক্তুনা নাকামুরাগা ফাইনেলদা সেট ২-২দা লৈখ্রে





ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী): ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসননা ঙসি য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নাকামুরাবু মরিশুবা সেট থোইদুনা ফাইনেল অদুদা সেট ২-২ মান্নদুনা লৈখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, নাকামুরা অমসুং কার্লসনগী ফাইনেল মেচ অসি সেট ৪ থোইবা শান্নরোয় অদুনা মায় পাক্কদৌরিবনি।

অহানবা সেটতা নাকামুরানা কার্লসনবু পোইন্ট ২.৫-১.৫দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেট অদুনা কার্লসননা নাকামুরাবু অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং পোইন্ট ৩.৫-২.৫দা মায় পাক্তুনা সেট অমমম্ মান্নদুনা লাকখিবনি। অদুবু ঙরাং শান্নখিবা অহুমশুবা সেটতা নাকামুরাগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা কার্লসনবু পোইন্ট ৩.৫-২.৫দা থোইদুনা সেট ২-১দা মাংজিল থাখি।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা সেট অদুগী হৌরকপদা শান্নরোয় অনীমক অকনবা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম কার্লসননা অঙৌবা মচু পায়রগা মুভ ৬৩ চঙনা শান্নরবা মতুং দ্রো চৎখি। অনীশুবা গেম অদু নাকামুরানা অমুক অঙৌবা মচু পায়রগা লম্বা তৌরকপদা মুভ ৩৮দা দ্রো চৎখি। অদুবু অহুমশুবা গেমদা কার্লসননা অঙৌবা মচু পায়রগা নাকামুরাবু মুভ ৩৬তা মায়থীবা পীরবা মতুং মরিশুবা গেম অদু মুভ ৪০দা দ্রো চৎপদগী পোইন্ট ২.৫-১.৫দা থোইদুনা সেট ২-২ মান্নরি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com